# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-11-2024)**

## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ০৪-১১-২০২৪, নিংথৌকাবা)

**মীফম (এল)ঃ** গুৱাহাতিদা থা অসিগী ১ দগী ২ ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপা চথখিবা থাদৌ জাতিগী মীফমা মণিপুরদা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিতিজন্স (এন.আর.সি) মপুং ফানা চৎনহনবা অমসুং ৱার ওন দ্রগস শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে। মণিপুরদা এন.আর.সি চৎনহনবনা য়েলহৌমীশিংগী হক ঙাক্তুনা থম্বা অমসুং মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া নিংথিনা পায়খৎপা ঙমগনি হায়রি। হিরম অসিদা রাজ্য সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলিবা অদু নিংথিনা খঙঙি অমসুং মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

থাদৌ কনভেন্সন গুৱাহাতি ওর্গনাইজিং কম্মিতিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য সরকারনা মণিপুরগী নহাশিং কন্ননবা লৌখৎলিবা ৱার ওন দ্রগসকী খোঙথাং কম্মিতি অসিনা মপুং ফানা শৌগৎলি। মসি হেন্না চেৎশিনবা মওংদা মখা তানা থবক পায়খৎপীনবা কম্মিতি অসিনা সরকারদা তকশিল্লি। মসিনা মণিপুরগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবতা নত্তনা সরকারনা রাজ্য অসিগী তৌগে খনবা পান্দমশিং ফঙহনবদা চাওনা মতেং ওইগনি। সরকারনা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেক হোলদরশিং অমদি মীয়ামা মতেং পাঙবীয়ু হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং এরিয়াদা সেনাপতিদগী লাকপা মীওই অনি ফুবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা মণিপুর পুলিসনা নাওরেমথোং দি.সি রোদ তগী ঙরাং ফারে।

অমরোমদা, জিরিবামগী চন্দ্রপুরদগী হোইনু ভাইফৈ কৌবী নুপা অমা পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে। মহাক ময়ুমগী মীওইশিংদা তেক্তা কাইদনা শিন্নখ্রে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী চিং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎ পুদুনা লাকপা গারি ৪৮ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুরকখ্রে। চখোক চৎশিন তৌবা অমদি গারি চৎপদা খুদোং চাদবা থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা থবক পায়খৎলি। পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক চেক পোইন্ট ১১০ হাংদোক্লে। মনিপুরগী চিং অমসুং তমদগী লাকপা চিংনবা মীওই ৭ ফাগত্তুনা মচিন হংবগী থবক চত্থখি।

**এআর (এল)ঃ** নিঙোল চাক্কৌবগা মরি লৈননা লান্মীনা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা দরকার লৈবা পোৎলমশিং ঙরাং খুৎশিন্নখ্রে। কুম্ভৈ অসিগা মরি লৈননা লান্মীনা রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা নুপী ৭০ দা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি। অহাও অথুম কয়াসু চামিন্নখি। থৌরম অদুদা খোঙবান্তাবম ইবোমচাসু শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঝরখন্দদা চত্তুনা মীখলগী রেল্লি অনিদা ৱা ঙাংগনি। প্রধান মন্ত্রিনা বি.জে.পীনা শৌগৎপা এন.দি.এগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমগনি। ঝরখন্দগী বি.জে.পী প্রসিদেন্ট অমদি হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি বাবুলাল মারান্দিনা হায়-প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ দা গারভাদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংগনি। অদুগা চাইবাশাদনা পুং ৩.৩০ দা ৱা ঙাংগনি। রাজ্য অদুদা মীখলগী মতম হেক লাউথোকখিবদগী প্রধান মন্ত্রিনা লাক্তুনা ৱা ঙাংবা অসি ঙসিগী অসিনা অহানবনি। রাজ্য অদুদা বিধান সভাগী মীখল থা অসিগী ১৩ অমদি ২০ দা তাঙ্কক অনিথোকা পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলগী মীরেপচে লৌথোকপা ঙসিনা লোইরে। পুন্না সিট ২৮৮ লৈবা বিধান সভা মীখল অসিগীদমক মীরেপ লিশিং ৭,৯৯৪ না মীরেপচে পীশিল্লকখি। মীখল থা অসিগী ২০ দা তাঙ্কক অমখক্তদা

পাঙথোক্কনি। মীখল অসিদা মহাযুতি অমসুং মহাবিকাশ অগারিগী চুংশিন্নবা কাংবুশিংনা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি। সাসন পায়রিবা মহাযুতিদা চুংশিন্নরিবা মরু ওইবা দলশিংদি বি.জে.পি, সিভ সেনা অমদি এন.সি.পিনি, অদুগা বিরোধি ওইরিবা মহাবিকাশ অগারিগী চুংশিন্নরিবা দলশিংনা কংগ্রেস, য়ু.বি.তি অমদি অতৈ দল খরনি।

**অমিত সাহঃ** বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ঝরখন্দদা বি.জে.পিনা মীখলদা মায় পাক্তুনা শক্তি পায়রবদি ঝরখন্দদগী শেঞ্জা থুমজাগী থবক পুংমুৎ মুথৎকনি। রাজ্য অদুগী শিন্মারিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অদুদা বি.জে.পিনা মীখল থেংনরিবা অসি হেমন্ট সোরেনবু লৌথোকপা খক নত্তে। রাজ্য অদুদা অওনবা অমা পুরকবনি। রাজ্য অদুদগী দলিট, ত্রাইবেল, তোল্ল তারবশিং অমদি নহাশিংগী মায়োক্তা লৈবা হেমন্ট সোরেনগী সরকারবু মরু ফংনা মাংহনখিবা হায়বসি বি.জে.পিগী পান্দমি। হেমন্ট সোরেন সরকারনা মখোয়গী ওইবা রাজনিতিগী খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক নক্সেলিজম্বু য়োকখৎতুনা লৈরমখি। বি.জে.পিনা লূচিংবা লৈবাক অসিগী এন.দি.এ সরকারনা হৌখিবা চহী ৫ অসিগী মনুংদা ঝরখন্দদগী নক্সেলিজম মরু ফংনা মুথৎখিবনি। লৈবাক অসিদগী নক্সেলিজম মথং চহীগী মার্সচ ফাওবদা পুংমুৎ মুথৎপা হায়বসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা কেন্দ্র সরকারগী পান্দমি।

**য়ুএস ঃ** য়ুনাইতেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকাগী প্রসিদেন্টগী মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা মীখলগী কেম্পেইন অঙকপা ফংনা কনশিল্লক্লি। মালেমগী শক্তী লৈরবা লৈবাক অসিগী মথংগী প্রসিদেন্ট খন্ননবা মীরেপ হয়েং পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিগা মরি লৈননা লম্বা তৌনরিবা মীরেপ অনি-রিপব্লিকানগী দোনাল ত্রম্প অমসুং দেমোক্রেতিক মীরেপ কমালা হরিস অনিনা মীখল অসিগী লাইবক লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা পেন্সিলবেনিয়া য়াওনা মরু ওইবা ষ্টেট

কয়াদা রেল্লিশিং পাক শন্না চথুখি।

হৌজিক ফাওবদা মীখল অসিদা ভোটর মিলিয়ন৭০ হেনবনা ভোট থাদনখ্রে। মসি মমাঙগী ইং ২০২০ দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা অঙনবা মতমদা থাদখিবা ভোট মশিং মিলিয়ন ১০১ শুপা ৫ অদুদগী হন্থবা ওইরি। হন্দক্কী মীখল অসিদা নেভাদা, এরিজোনা, নোর্থ কেরোলিনা, জোর্জিয়া, ৱিসকন্সিল, মিচিগান্ট অমসুং পেন্সিলবেনিয়ানা প্রসিদেন্টকী মীরেপ লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। করিগুম্বা মীখল অসিদা মীরেপ অমনা ইলেক্টোরেল কোলেজকী ভোট ২৭০ ফংদুনা মাই পাকবা হোৎনবদা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিগী মনুংদা ৩ শুকশোহ শোইদনা মাই পাকপা তঙাই ফদে।

**বোক্সিং ঃ** য়ু.এস.এগী কোলোরাদোদা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ভারতনা সনাগী তকমান ৪ য়াওনা পুন্না তকমান ১৭ ফংবা ঙমখ্রে। ভারতকী বোক্সর ১৯ না শাবা স্কাদ অসিগী বোক্সর ১২ না ফাইনেল চংবা ঙমখিবগা লোয়ননা নুপী বোক্সর ১০ না মেদল অমমম লৌবা ঙমখি। সনাগী তকমান অদু হেমন্ট সংৱান, কৃশা বর্মা, পার্বতি গ্রেৱাল অমসুং বন্সিকা গোস্বামিনা লৌখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা ভারতকী স্কাদনা চাওনা মাই পাকপগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা লোস এঞ্জেলিস ওলেম্পিক গেমস ২০২৮ তা লৈবাক অসিগী বোক্সরশিংনা মশক থোকা শান্নবা ঙমগনি হায়না থাজবা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-দ্বিজমনি

ঙরাং পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরি লৈননা সুতি ওইখিবনা ঙসি ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচে অয়াম্বা ফোঙনদ্রে। অদুমকপু চিংগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ফোঙবা পাউচেশিংদি মহৌশাগুম ফোঙনরক্লি।

সেনাপতি জিলাদা ফোঙবা পাউচে হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন অসি- সেনাপতি জিলাদা চথখিবা পুং ২৪ গী সটদাউন্দ লোইশিনখ্রে। অদুবু, কম্মর্সিএল গারিশিং চৎপদি মখা তানা থিংখিগনি হায়না জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা খঙহল্লকপা ৱাফম অসিনি।

হিল এরিয়াস কম্মিতিনা এ.দি.সিশিংগী এদহোগ কম্মিতি হাপ্পগী ৱাফম অন্সমা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি হায়বা হেদলাইন অসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

নাগাশিংনা ঙমখৈ শন্বল খাবা য়ারোই হায়রিঙৈ চৈরক্তা ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈ শন্বল খাবগী মতাংদা ওফিসিএলশিং ৱারি শাগদৌরি। হেদলাইন অসিনা হিলস হোর্ণবিল অসিগী অহুমশুবা হেদলাইননি।

থাদৌ ফুরুপ অসি কুকিশিংগী মনুং চন্দে হায়না থাদৌ ফুরুপনা থল্লকপা ৱাফম পাডচে অসিগী মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরে।

তামেংলোংদা ফোঙবা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন অসি- মিউজিক পামজবশিংগীদমক দ মিউজিকসিয়ননেশ কৌবা কন্সর্ট পাঙথোক্নবা প্লেটফোর্ম অমা জিলা অসিগী দি.সিনা হাংদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন্না মণিপুরগী কুকি তাবা মফমশিংদা কর্ম্মসিএল গারি চৎপা খুদক্তগী থিংখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিসু পাউচে অসিগী মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন অসি তামেংলোং কৈথেলগী

লন্বীগী ফীভম ফৎতবা অদু য়েংদুনা লোকেল এম.এল.এগী মীৎয়েংগী মখাদা লন্বী শেমজিনবা হৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ফোঙলি।

--**দ্বিজমনি**--